# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-12-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০২-১২-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনবগী থবক লেপ্পুনা চত্থরিবা অসিনা মণিপুরবু ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিংগী ফাওনথোঙ ওইবদগী কনবা ঙমগনি।

২) নমদুনা শেল খাইবা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং সেকুযরিতি ফোর্সনা ফাগৎপগী থবক লেপতনা চত্থরি।

**অমসুং**

৩) নৌনা রাজ্য সভাগী চেয়রমেন ওইরবা উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণননা, সদস্যাশিংনা মীফম চত্থবা মতমদা সংবিধানগী নিয়ম ঙাকা চৎনবা হায়রি।

**------**

**বিরেন (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-সেকুযরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনবগী থবক লেপ্পুনা চত্থরিবা অসিনা মণিপুরবু ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিংগী

ফাওনথোঙ ওইবদগী কনবা ঙমগনি।

ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসিনা রাজ্য অসিদা ময়াই কাবা দ্রগকী সমস্যা হন্থহনদুনা রাজ্য অসিগী ইজৎ কনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখিবগী থবকশিং অদুবুসু শ্রী বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা নমদুনা শেল খাইবা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপা অমদি পোপী পান্বী য়ান্থৎতুনা মাংহনবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চত্থরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-হস্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা কৈরাউ বিত্রা অৱাং লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ(কোইরেং)গী মীওই অমা ফারে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনা কাংপোকপী পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা সি.লমজাংগা চীংশাংদা লম একর ৩৬ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং ঙরাং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মফম অদুদগী হার বেগ ১৪ অমসুং থুম বেগ ৯ ফংখি। লৌতাংশঙ ১১ সু থুদেকখ্রে। কাংপোকপী জিলাগী নিউ কৈথেল মানবী পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা খোইরিপোক অমসুং শেজাং ভিলেজকী মরক্তা লম একর ১৮ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিংসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মফম অদুদা লৈরম্বা লৌতাংশঙ ৫ সু থুদেকখি।

রাজ্য পুলিসনা মোতোর ভেহিকল এক্ট খোঙগাউনদুনা গারি থৌবশিংগী মথক্তা মখা তানা দ্রাইভ চত্থরি। ঙরাংসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংদোকপা চেকপোইন্টশিংদা গারি ১৬, চলান ককহন্দুনা লূপা লিশিং ২৪ খোমগৎখি।

**কাদা (এল)ঃ** কোলিসন এগেন্স দ্রগস এন্দ অলকোহোল(কাদা)না শিন্দুনা ৱার্ল্ড এইদস ডেগী থৌরম ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী পুরৈরোম্বা খোঙনাং মখোঙদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখি। ওভরকমিং দিসরপসন, ত্রান্সফোর্মিং দ এইদস রেস্পোন্স হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈমরোল লমজিং কোনগী প্রসিদেন্ট এম.সি.রিতা, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার অমসুং নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লুপকী প্রসিদেন্ট যুম্লেম্বম মেম্মা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল তখেৎলম্বম গিটচন্দ্রনা হায়-কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মালেমগী ওইনা এইদস লায়না মুখৎনবা হোৎনরিবা অসিদা শরুক য়াবা ওইনা লমদম অসিবু এইদস লায়না লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নরসি।

**উধ্যম(এল)ঃ** কেন্দ্রগী মাইক্রো স্মোল এন্দ মেদিয়ম এন্তরপ্রাইজেসগী মখাদা পায়খৎলিবা রেজিং এন্দ এসিলরেতিং ওফ এম.এস.এম.ঈ পর্ফোমেন্স স্কিমগী মখাদা ঙরাং ককচিং জিলাগী ৱাবগাই পঞ্চায়ট ঘরদা উধ্যম রেজিস্ত্রেসন তৌবগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লমদম অদুগী ওন্ত্রপ্রেন্যুর ৬০ রোম উধ্যম রেজিস্ত্রেসন তৌখি । মখোয়গী মনুংদা ৫৫ রোমদি নুপী ঙাক্তনি। থৌরম অদুদা, ককচিং জিলাগী লিদ দিষ্ট্রিক্ট মেনেজর এ.আলতিয়াস, ককচিংগী দি.আই.সিগী জেনরেল মেনেজর সোইবম নবকুঞ্জা য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**সংসদঃ** উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণননা রাজ্য সভাগী চেয়রমেন ওইনা ঙরাংদগী রাজ্য সভাগী মীফম হৌখ্রে। সভাদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী রধাকৃষ্ণননা হায়-সদস্যাশিংনা মীফম চত্থবা মতমদা সংবিধানগী নিয়ম ঙাকা চৎপা মথৌ তাই। সদস্যাশিংনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্কী ফংফম থোকপা হক মপুং ফানা ফংহনবা হোৎনগদবনি । শ্রী রধাকৃষ্ণননা মখা তানা হায়-সদস্যাশিংনা মশা

মশাগী মোৎ ফোঙদোকপা মতমদা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শিজিন্নরোইদবনি। শ্রী রধাকৃষ্ণননা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--রধাকৃষ্ণন**

শ্রী রধাকৃষ্ণননা রাজ্য সভাগী চেয়রমেন ওইরকপবু তরামা ওক্লদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়-সভাগী চেয়রমেননা অচুম্বা অমদি হেন্না ফজবা মওংদা থবক তৌদুনা গনতন্ত্রগী মগুন হেনগৎহল্লক্কনি হায়না থাজরি। রাজ্য সভাদা বিরোধি লুচিংবা ওইরিবা মালিক আর্জ্ন খার্গেনা হায়-সভাদা সাসক অমসুং বিরোধি হায়বা খাইদনা মীচং মীখাই নাইদনা শ্রী রধাকৃষ্ণননা থবক তৌরক্কনি হায়না থাজে।

**চৌহানঃ** কেন্দ্রগী রুরেল দেভলপমেন্ট মন্ত্রি শিভরাজ সিংহ চৌহাননা ঙরাং নিউ দেল্লিদা সরাস অজিবিকা ফুদ ফেষ্টিভেল ২০২৫ হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী চিঞ্জাক মখল কয়া ফেষ্টিভেল অসিদা উবা ফংলগা নুঙাইবা পোকই। মখোয়না উৎলিবা চিঞ্জাকশিং অসিদা ফুরুপ-কাংলুপশিং অদুগী নাৎ চৎনবীশিং মমি তারি। মহাকা হায়- ফেষ্টিভেল অসিগী মোতো ওইরিবা তেষ্ট, সেলফ রিলাইয়েন্স এন্দ ইন্দিজেনস প্রদক্টস হায়বা অসি য়ামা ফজবা ৱাখল্লোন অমনি। চিঞ্জাকশিং অসি কুইরবা মতমদগী হৌদুনা মথং মথং থংথরক্কুনা ঙসিগী মীরোলনা হেন্না ফজবা মওংদা শেম শাদুনা পুথোকপনি। ফেষ্টিভেল অসিদা নুপীশিংগী ওইবা সেলফ হেলপ গ্রুপশিংনা চিঞ্জাক শেম শাবগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌবগী মমি তাই। লৈবাক অসিগী ওইনা চিঞ্জাক্কী ওইবা চাউরবা কুম্মৈ অসি থা অসিগী ৯ ফাওবা চত্থগনি।

**সিমঃ** দিপার্টমেন্ট ওফ তেলিকম্ম্যুনিকেসন্স (দি.ও.টি)না মীয়ামা

মরুওইনা শিজিন্নরিবা মোবাইল এপস সর্ভিসেসশিংদা তেলিকম্ম্যুনিকেসনবু লান্না শিজিন্নবশিংদগী ঙাকথোকবা অমসুং তেলিকোম ইকোসিস্তেমগী সেক্যুরিতি ঙাকশেন্নবা খঙহনখ্রে। মোবাইল এপ সর্ভিসশিং অদুদি- ৱাটসএপ, তেলিগ্রাম, স্নেপচেট, অরাতাই, সেয়রচেট, জোস, জিওচেট অমসুং সিগনেলনি।

কম্ম্যুনিকেসন মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়-দিভাইস অমদা হাপ্তুনা শিজিন্নরিবা সিম কার্দশিং য়াওদনা মোবাইল এপ্লিকেসনশিং অসি শিজিন্নবা য়াদনবা এপ বেজ ওইবা কম্ম্যুনিকেসন সর্ভিসেসশিংনা শেমগদবনি।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দনা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইরকখিবগী চহী ৬৩ শুরকপা পালন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখি। মসিগা লোয়নননা, নাগালেন্দদা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা হোর্ণবিল ফেষ্টিভেলসু রাজ্য অসিগী কোহিমাদা লৈবা কিসামাগী নাগা হেরিতেজ ভিলেজতা ঙরাংদগী হৌখ্রে। নুমিৎ ১০ নি চুপা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিভেল অসিদা মপুং ওইবা নাগা ত্রাইভ ফুরুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইনা পুন্দুনা শরুক য়ারি। ফেষ্টিভেল অসিদা নাগা ফুরুপশিংগী ওইবা নাৎকী জগোয় ঈশৈ কয়াসু পাঙথোক্লি।

ফেষ্টিভেল অসিদা য়ুনাইতেদ কিংদম, আইরলেন্দ, ফ্রাঞ্জ, অস্ত্রিয়া, মালতা অমসুং স্বিটজরলেন্দ লৈবাকশিংদগী লাকপা মীহুৎশিংনা শরুক য়ারি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আই.দি.পিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহন্নবা হাই লেভেল কম্মিতি শেমখিবা অমসুং লোক সভাদা মণিপুর জি.এস.টি পাস তৌখিবগী পাউ ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা মতম থাখ্রে। থবক য়াংশিলহন্নবা গভর্ণমেন

টনা অৱাংবা থাক্কী কম্মিতিশিং শেমখ্রে হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর মেল, পিপলস ক্রোনিকল, গানফিউ মেল অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

যুম হঞ্জিলহনলু হায়দুনা আই.দি.পিশিংনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ- পোকফমদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা লৈঙাকা আই.দি.পিশিং থা অসিদা ময়ুমদা হঞ্জিলহনগনি হায়খিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়দুনা রিলে, সিট ইন প্রোতেষ্ট তৌখ্রে হায়না- নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু লাক্কুনা ৮৬ শুবা নুপী লালগী থৌরমদা শরুক য়ারগদৌরি। নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা রাজভবনদা মীওই খরা কাংপোকপীগী আই.দি.পিশিং উনগদৌরি হায়না- হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লোক সভানা মণিপুর জি.এস.টি বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে হায়না- সনালৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি । মসিগা মান্নবা পাউ অসি- গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুরদা ৱার্ল্ড এইদস ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

ঐচ.আই.ভি.এস থিংনবা মীপুম খুদিংমকা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়না

রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়রগী কম্মিসনর সুমন সিংহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

জল জিবন মিসনগী মখাদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদগী কমপ্লেন্ট লিশিং ১৭,০৩৬ থাংগৎলকখ্রে হায়না সেন্তরনা থমখিবা ৱাফম- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নাগালেন্দগী হোর্ণবিল ফেষ্টিভেল হৌখ্রে হায়না- মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। তামেংলোং তাইমসতসু- ২৬ শুবা হোর্ণবিল ফেষ্টিভেল কোহিমাগী কিসামা ভিলেজতা হৌদোকখ্রে হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**